## ইন্দিয়ন টিমনা কপ ক্কালিফাইয়রগীদমক লাওসতা চৎকনি

# ইন্দিয়ন নেসনল টিমদা চীংলেনসন্না, উদান্টা, সৈত্যাসেন অমদি জেকিচান্দ য়াওরে



ন্যু দেল্লি, মে ৩০ ঃ

ইন্দিয়াগী প্লেয়র ২০ না শাবা টিম অমা লাওসকা লাক্লিবা জুন ২ দা শান্নগদবা ২০১৯ এ এফ সি এসিয়ন কপকীদমক মে ৩১ দা লাওসকীদমক ন্যু দেল্লিদগী খোঙশাল্লগনি।

ইন্দিয়ন ফুটবোল টিম অসিদা হন্দক্তা গুৱাহাটিদা চৎখিবা ত্রেনিং সেসন্দা মিদফিল্ডর ভিনিট রাইগী মখোঙদা শোকখিবদগী টিমদা য়াওখিদ্রে। টিম অসিদা মণিপুরগী চীংলেনসন্না সিংহ, উদান্টা সিংহ, সৈত্যাসেন সিংহ অমদি জেকিচান্দ সিংহ য়াওরে।

ক্কালিফাইয়র অসিগী রিটর্ন লেগনা লাক্লিবা জুন ৭ তা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কনি। নেসনেল টিমগী কোচ স্টেফন কোনস্টাটিননা অরোইবা পুংজাদা ভিনিটকী মখোঙদা শোকখিবা অদু য়েংলগা টিমদগী লৌথোকখি। ঐখোয়না প্লেয়র ২১ গী লিষ্ট অমা ফাইনালাইজ তৌরে। মখোয় ২১ অসিনা লাওসতা চৎকনি অদুবু ঐখোয়না প্লেয়র ২০ গী স্কাদ অমা ওইনা চৎলগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ুরোপতা প্রেমিয়র লীগ শান্নরিবা ইন্দিয়াগী অহানবা প্লেয়র ওইরিবা গোলকিপর গুরপ্রীট সিংহ সন্ধুনা দাইরেক্ট ওইনা লাওসতা থুংলরগনি। শোক্লবা ভিনিটতা নত্তনা প্লেয়র তরেৎ অমসু অশোকপনা মরম ওইদুনা টিমদা য়াওখিদে। মখোয় অদুদি রোলিন বোর্গেস, প্রোনয় হাল্ডর, কেভিন লোবো, বিকাশ জাইরু অমদি দিফেন্দর ওগষ্টিন ফর্ণান্দেজনি। অদুগা ধনপাল গনেশ অমদি ষ্ট্রাইকর রোবিন সিংহনা অশোকপদগী ফগৎলক্তবনা টিমদা য়াওখিদে। মখোয়দা নত্তনা ভিনিথ অমদি দেভিদ লালরিঅমুনা অনীসু অশোকপনা মরম ওইদুনা বোল নিংথিনা কাওবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়ন স্কাদকী মেম্বর ওইবা ঙমখিদে।

ঐখোয়না টিমগীদমক ৱানিঙাই করিসু লৈতে। ঐখোয়গী মতিক চাবা প্লেয়রশিং মাঙজৌননা শেম শাদুনা লৈরে। পাঙথোক্কদৌরিবা মেচ অসি ঐখোয়গী য়াম্না মরু ওইবনি। নুপামচাশিং অসিনা সাফ চেম্পিয়নশিপ্তা মখোয়গী অঙন্বা করি উৎখি হায়বদু খঙলবনি হায়না কোনস্টাটিননা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন স্কাদতা য়াওরিবা প্লেয়রশিং অদুদি গোল কিপরদা সুব্রাটা পাওল, গুরপ্রিট সিংহ সন্ধু, অমরিন্দর সিংহনি। দিফেন্দরদা রিনো অন্টো, পীগান পেরৈরা, প্রিতম কোটাল, অরনাব মোন্দাল, সন্দেশ জিঙ্গান, চীংলেনসন্না সিংহ, ফুল্গানকো কার্দোজো, নরায়ন দাসনি। মিদফিল্ডরদা উদান্টা সিংহ, হালিচরন নরজারে, সৈত্যসেন সিংহ, এম দি রফিগ, ইগনেসন লিংদোহ, জেকিচান্দ সিংহ, ওলৱিন জোর্জনি। ফোরৱার্দতা সুমিট পাসি, জেজে লালপেখলুআ, সুনিল ছেত্রিনি।

# ব্রাজিল পুলিসকী হূইশিংনা ওলেম্পিক্স গেমসতা ঙাক শেন্দৌরি

রিও দি জানৈরো, মে ৩০ ঃ

ব্রাজিল পুলিসকী হূইশিংনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্স গেমসতা টেরোরিষ্টশিংগী এটেকশিং চথরক্লবদি মায় পাক্না থিংনবগীদমক অকনবা ত্রেনিং তৌরি।

লৈবাক অসিগী লৈরিবা পুলিসকী হূইশিং অসি অয়াম্বা মতমদা দ্রগশিং ফাগৎনবগীদমক শীজিন্নদুনা লাক্লিবনি।

ব্রাজিলদা ঙসি ফাওবা টেরোরিষ্টকী ওইবা এটেক অমত্তা চথখিবা লৈত্রবসু লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী হৌনা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা গেমস অসিদা শিংনরকপা খুদিংমক মায়োক্লনবা শেম শাবগী থবকশিং চথরি। শেম শারিবা অসিগী মনুং চন্নারিল কেনাইন ইন্টরভেন্সন ব্রিগেদনা ফ্রেঞ্চকী এলিট পুলিস স্পেসিএলিষ্টশিংগা পুন্দুনা চয়োল অনীগী ত্রেনিং অমা পাঙথোকপা লোইখিবদা ঙাইখ্রিবনি।

হূইশিং অসিনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রিও ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা মথৌ পাঙথোক্তুনা মখোয়না নৌনা ত্রেনিং তৌরকপশিং অদু উৎথোকখি। রিও কেনাইন ইন্টরভেন্সন ব্রিগেদনা মমাঙদা অসিগুম্বা মখলগী ত্রেনিং অমুক্তা তৌখিদ্রি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা দ্রগ ফাগৎলকপা মতমদদি ব্রাজিলগী হূইশিং অসি ফ্রেঞ্চকী হূইশিংগুম মথৌ চপ চানা পাঙথোকপা ঙমখি হায়না আর এ আই দিগী ট্রেনর খৃষ্টোফর বিনা হায়খি।

দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি ব্রাজিলগী ওথোরিটিশিংনা গেমস অসিদা চাউনা শিংনরকপা য়াবগী মায়োক্তা লৈরবসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা জিহাদি এটেকশিংগী শাফু অসি মালেম শিনবা থুংখ্রবনা টেরোরিজমনা গেমস অসিদা শিংনরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরি। মমাঙ চহীদা পেরিসতা এটেক চথদুনা মীওই ১৩০ হাৎখিবদগী লৈবাক অসিদসু টেরোরিষ্টকী এটেক চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈরিবনি। পেরিস এটেক অদু চথখিবা নুমিৎ হূমনিগী মতুংদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মী মঙক কক্তুনা হাৎপনি হায়না শক্তাকচবা ফাইটর অমনা ত্বিটরগী খুত্থাংদা মথং এটেক্তি ব্রাজিলদা চথগনি হায়না ৱার্নিং তৌবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা শীজিন্নখিবা সিক্যুরিটি মশীং অদুদগী রিও ওলেম্পিক্সতনা হেন্না য়াম্না শীজিন্নগদৌরি। রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদৌরিবা এথলেটশিং, ভি আই পিশিং, জর্নেলিষ্টশিং য়াওনা টুরিষ্টশিং ঙাক শেন্নবগীদমক অপূনবা পুলিস অমদি সিক্যুরিটি পার্সনেল ৮৫,০০০ রোম শীজিন্নগদৌরি।




# সাইনানা সিজন অসিগী অহানবা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থম্লি




জকার্টা, মে ৩০ ঃ

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন ষ্টার সাইনা নেহৱালনা মফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ৯০০,০০০ ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজদা শরুক য়াদুনা সিজন অসিগী অহানবা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থম্বগা লোয়ননা ওপন অসি চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী শেম শাবা ওইনা লৌরি।

মতম খরা মশাদা অশোকপা লৈবদগী মরু ওইবা টুর্নামেন্ট খরদা শরুক য়াদনা লৈরুরবা সাইনানা মহাক্কী হান্নগী ফোর্মদা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা ইন্দিয়ন ওপন, মালেসিয়ন ওপন অমদি এসিয়ন চেম্পিয়নশিপনচিংবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াখিদুনা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা উবের কপ্তা ইন্দিয়ানা অনীরকশুবা ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবদা সাইনানা লীগ ষ্টেজগী মেচশিং মায় পাকখ্রবা মতুং নোক আউটতা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোন অমদি চিনাগী লি জাইরুইগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৯, ২০১০ অমদি ২০১২ দা ইন্দোনেসিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখ্রবী সাইনানা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী অহানবা মেচ ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা টাইনিজ টাইপৈগী জাই য়ু পোগী মায়োক্তা লম্বা তৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থম্লি।

অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলসতা মালেমগী ১০ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী পি ভি সিন্ধুনা মমাঙ থাদা টুর্নামেন্ট কয়া শান্নখিবনা মতম খরা পোত্থানবা অমদি লাক্লিবা ওলেম্পিক্সকীদমক ত্রেনিং তৌনবগীদমক ইন্দোনেসিয়ন ওপনদা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখি। অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসতা কে শ্রীকান্ট অমদি অজে জয়ারামসু ওপন অসিদা শান্নদনবা ৱারেপ লৌখি। পি কেশ্যপনা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা ফিজিওথেরাপি চথরিবনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবগী ফীভম লৈখিদে। ঐচ এস প্রনোয়সু মহাক্কী মখোঙদা অশোকপা লৈরিবা অদু ফগৎনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবনা ওপন অসিদা শরুক য়াররোই।

ওপন অসিগী ক্কালিফাইয়রসতা বি সাই প্রনিথ অমদি আর এম ভি গুরুসাইদত্ত শরুক য়াররোই। সমির ভর্মাখক্তনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াগনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী ক্কালিফাই ওইখ্রবী অমদি কুমজা ২০১০ গী কম্মনৱেলথ গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট জ্বালা গুত্তা অমদি অশ্বিনি পোন্নাপ্পানা নুপীগী দবলসতা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা ফেব্রিয়ানা দ্বিপুজি কুসুমা অমদি রিবকা সুগিয়াটোগা লম্বা তৌদুনা ওপনিং মেচতা শান্নগনি। নুপাগী দবলসতনা মানু অত্রি অমদি বি সুমিথ রেদ্দিনা ফিলিপিন্সকী পিটর গাব্রিল মাগনায়ে অমদি অলভিন মোরদাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সুবর্টো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, মে ৩০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার (দি ৱাই এ এস ও) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা চথরকখিবা ৫৭ শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুবর্টো কপ ইন্টর ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা চহী ১৪ মখাগী নুপাগী ৱিন্নর সি আর এ চরাংপাৎনা ওইখ্রে। চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ৱিন্নরনা সোফিয়া ইংলিস স্কুল থৌবালনা অদুগা নুপাগী কাঙলুপ্তুনা এল আই এস ঈ এস চরাংপাৎনা ওইখ্রে।


চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী ফাইনেল মেচ অদুদা সি আর এ চরাংপাৎনা এম জি এস এম ককচীং গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা এম জি এস এমনা রন্নর্স-অপ তাখি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ৱিন্নরনা সোফিয়া ইংলিস স্কুল থৌবালনা ওইখি। চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী ফাইনেলদা এল আই এস ঈ এস চরাংপাৎনা এল পি এস ককচীংবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা এল পি এস ককচীংনা রন্নর্স-অপ তাখি।

চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা সি আর এ চরাংপাৎ, চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা সোফিয়া ইংলিস স্কুল থৌবাল অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা এল আই এস ঈ এস চরাংপাৎনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মহুৎ শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল সুবর্টো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারগনি।

# এন্দি মরে, গ্যাসগেট, রাদৱানস্কা, মুগুরুজা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে







পেরিস, মে ৩০ ঃ

ৱর্ল্ড নম্বর টু এন্দি মরে অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ষ্টান ৱারিঙ্কানা মফম অসিদা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচশিংদা মায় পাকখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে অদুগা রিচার্দ গ্যাসগেটনা জপানগী কৈ নিশিকোরিবু মায়থীবা পীদুনা চহী ৩৩ গী মতুংদা অহানবা ওইনা য়ূম্ফুনা টাইটল লৌনবগী থাজবদু থমখ্রে।

মরেনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জোন ইস্নরবু ৭-৬ (১১/৯), ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা তরুক্লকশুবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি। মশাগী চহী ২৯ শুরবা অমদি অহুম্লক সেমী ফাইনেলিষ্ট ওইখ্রবা অসিনা লাষ্ট আইটতা ফ্রেঞ্চকী অরোইবা প্লেয়র ওইনা মখৌ পোংনা লেপ্লিবা গ্যাসগেটকা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

মরেনা মহাক্কী কেরিয়রদা মশাগী চহী ২৯ শুরবা গ্যাসগেটকা য়েংনবদা ৭-৩ দা মাঙজিল থানা চৎলি। মসিদা কুমজা ২০১০ অমদি ২০১২ দগী রোলেন্দ গারোসতা মায় পাকখিবা য়াওরি। গ্যাসগেটনা জপানগী মঙাশুবা সীদ নিশিকোরিবু ৬-৪, ৬-২, ৪-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মাপনশুবা সীদ অসিনা অহানবা সেটতা ২-৪ দা নিশিকোরিদগী নেম্না লৈখি অদুবু পুং অমরোম নোং চুখিবদগী থেংনা শান্নরকখিদুনা গেম ১০ গী মনুংদা মহাক্না ৯ মায় পাক্তুনা মেচ অদু মাঙজিল থাখি।

ঐনা অহৌবদা নিংথিনা শান্নখিদে অদুবু ময়াম্না ঐবু মতেং পাঙবীখি অমদি মদুদা নিশিকোরিনা ঐহাক্কা মায়োক্নুনা শান্নরকপদা খুদোংচাদবা থেংনখি হায়না মহাক্না হায়খি।

নোং চুবা লোইখ্রবা মতুংদা মহাক্না ফজনা শান্নরকখিদ্রে অমদি মদুনা ঐনা গেম অসি মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা ৱাংনা লৈখি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

কুমজা ১৯৮৩ দা য়ানিক নোৱহনা রোলেন্দ গারোসতা মেন'স সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইদুনা টাইটল লৌখিবা ফ্রেঞ্চ মচা ওইখি। অহুমশুবা সীদ ৱারিঙ্কানা সার্বিয়াগী ভিক্টর ট্রোইকিবু ৭-৬ (৭/৫), ৬/৭ (৭/১), ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা থংনা থংননা মহাক্কী ১১ রক শুবা মায় পাকপা ওইখি। ৱারিঙ্কানা মথংগী রাউন্দদা স্পানিশকী লেফট হেন্দর অলবার্ট রামোস-ভিনোলাসকা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। রামোস-ভিনোলাসনা কনাদাগী নিপানশুবা সীদ মিলোস রাওনিকপু ৬-২, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লামগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী সেক্সন্দা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা মমাঙগী চেম্পিয়ন সভেটেলানা কুজনেটসোভাবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহুম্লকশুবা ওইনা থংনা থংননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মশাগী চহী ২২ শুরবী ভেন্যুজুয়েলাদা পোকখিবী মরিশুবা সীদ অসিনা মথংগী প্লেদা ৱর্ল্ড নম্বর ১০৮ শুবদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী শালবি রোজরসগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। রোজরসনা রোমানিয়াগী ইরিনা-কামেলিয়া বেগুবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা অনীশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কানা বলগেরিয়াগী টসভেটোনা পিরোনকোভাবু ৬-২, ৩-০ দা অমদি তরুকশুবা শিদ রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ভেটরান সমান্থা ষ্টোসুরবু ৫-৩ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অকনবা নোং চুখিবনা মেচ অদু মপুং ফানা লোইশিনখিদে।

পনবা য়াই, টাপ সীদস নোভাক জোকোভিচ অমদি সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মফম অসিদা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী থাংজ নুমীৎতা শান্নখিবা অকনবা নোং মরক্তা মায় পাকখিদুনা লাষ্ট সিক্সটিনদা খুম্মাং চাউশিনখিবগা লোয়ননা দোমিনিক থিয়েমসু মরিশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

তরুকশুবা সীদ জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গানা অর্নেষ্টস গুলবিসকা শান্নগদবা অহানবা মেচতা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা ৱিথদ্রো তৌখি।

গ্রান্দ স্লাম মরিরক লৌনবা মিৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লক্লিবা জোকোভিচনা ব্রিটেনগী অলজাজ বেদেনেবু ৬-২, ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীখি। মেচ অদু মঙাল নীংথিনা ফংদনা পাঙথোকখি।

হৌখিবা গ্রান্দ স্লাম অহুম লৌখ্রবা সার্ব অসিনা মাপনলক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রফেল নদালবু মশাগী অনাবা লৈবদগী ওপন অসিদগী ৱিথদ্রো তৌখিবা অদুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটল লৌনবগী খুদোংচাবা হেন্না লৈখ্রে।

মেচ মায় পাকখিবা অসি খ্বাইদগী মরুওইবনি হায়না মেচ লোইরবা মতুংদা জোকোভিচনা ফোঙদোকখি।

ওপন ইরা অসিদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২২ লৌনবা মীৎয়েং থম্লিবা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ফ্রেঞ্চকী খৃষ্টিনা ম্লাদেনোভিকপু মায়থিবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুম্মাং চাউশিনখি।

টোপ সীদস অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অসিনা ম্লাদেনোভিকপু ৬-৪, ৭-৬ (১২/১০) দা মায়থিবা পীদুনা মথং রাউন্দদা উক্রেনগী ১৮ শুবা সীদ ইলিনা সভিটোলিনাগা শান্নবা খোঙফম শেমখি।

কুমজা ২০০৮ গী ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটল লৌখিবা অনা ইভানোভিকনা ইলিনা সভিটোলিগী মখুৎতা ৪-৬, ৪-৬ তা মায়থিহৌখি।

মসি য়াম্না টফ ওইখি, অদুবু মসি গেমগী শরুক অমনি। নঙনা মসিগীদমক শেম শাগদবনি হায়না ৱিল্লিয়মসনা ফত্তবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম য়েংলগা হায়খি।

অমরোমদা, দোমিনিক থিয়েমনা জর্মনগী নহা ওইরিবা অলেজেন্দর জভেরেবপু ৬-৭ (৪/৭), ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরমদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি। মহাক্না মথং মেচতা স্পেনগী মর্সেল জ্রানোল্লরসকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

কুমজা ২০১৪ গী ফাইনেলিষ্ট দেভিদ ফেররনা ফেল্লো স্পানিয়ার্দ ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৬-৪, ৭-৬ (৮/৬), ৬-১ দা মায়থিবা পীখি। মহাক্না মথংগী প্লেদা তরেৎশুবা সীদ টোমাস বার্দিচকা শান্নগনি। টোমাস বার্দিচনা পাব্লো ক্যুভাসপু ৬-৪, ৩-৬, ৬-২, ৭-৫ তা মায়থিবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি।


XTRA-EDGE SCHOOL

Ghari Awang Leikai, Imphal West -01
(A Premier Co-Educational Hr. Sec. School Undeer COHSEM)

RESULTS OF THE ENTRANCE TEST FOR ADMISSION TO CLASS XI-Sc.
FOR THE SESSION - 2016-17

FIRST TOP 3 OF THE ENTRANCE TEST RESULTS

| Sl. No. | ENTRANCE ROLL No. | NAME OF THE CANDIDATE | RANK |
|---|---|---|---|
| 1 | 595 | VICTORIA NAOREM | 1st |
| 2 | 369 | CHANDAM STEPHEN SINGH | 2nd |
| 3 | 502 | MACKSON WAHENGBAM | 3rd |

ENTRANCE ROLL NUMBERS OF OTHER SELECTED CANDIDATES (NOT IN ORDER OF MERIT)

| | | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 004 | 005 | 009 | 010 | 011 | 012 | 015 | 016 | 017 | 020 | 030 | 036 | 037 | 041 | 042 | 043 | 046 | 047 |
| 048 | 051 | 053 | 055 | 058 | 060 | 061 | 062 | 063 | 065 | 067 | 069 | 070 | 072 | 076 | 077 | 078 | 079 |
| 088 | 089 | 092 | 094 | 095 | 099 | 098 | 100 | 101 | 102 | 103 | 104 | 107 | 109 | 110 | 113 | 115 | 117 |
| 119 | 120 | 122 | 123 | 124 | 126 | 127 | 128 | 129 | 130 | 131 | 133 | 135 | 136 | 138 | 139 | 140 | 145 |
| 146 | 147 | 148 | 150 | 151 | 152 | 153 | 156 | 158 | 159 | 160 | 161 | 165 | 166 | 170 | 175 | 176 | 180 |
| 182 | 184 | 186 | 187 | 190 | 191 | 192 | 193 | 194 | 195 | 199 | 200 | 203 | 205 | 208 | 209 | 213 | 214 |
| 217 | 225 | 226 | 230 | 231 | 232 | 245 | 246 | 252 | 254 | 255 | 257 | 258 | 259 | 263 | 264 | 265 | 266 |
| 267 | 271 | 272 | 274 | 275 | 276 | 277 | 278 | 279 | 280 | 284 | 285 | 287 | 288 | 290 | 295 | 296 | 297 |
| 298 | 299 | 301 | 303 | 304 | 305 | 306 | 309 | 312 | 314 | 315 | 316 | 317 | 319 | 320 | 321 | 325 | 326 |
| 327 | 328 | 331 | 332 | 333 | 334 | 335 | 336 | 338 | 340 | 342 | 343 | 344 | 345 | 347 | 349 | 350 | 353 |
| 356 | 357 | 358 | 359 | 363 | 364 | 365 | 366 | 367 | 368 | 369 | 373 | 374 | 375 | 376 | 377 | 379 | 382 |
| 383 | 384 | 385 | 387 | 388 | 389 | 390 | 396 | 397 | 399 | 400 | 401 | 405 | 408 | 409 | 410 | 411 | 412 |
| 414 | 415 | 418 | 419 | 420 | 425 | 428 | 429 | 430 | 431 | 432 | 434 | 436 | 438 | 439 | 440 | 441 | 442 |
| 443 | 444 | 445 | 447 | 448 | 453 | 454 | 455 | 456 | 457 | 458 | 459 | 460 | 461 | 462 | 463 | 464 | 465 |
| 466 | 467 | 469 | 470 | 471 | 472 | 473 | 474 | 475 | 476 | 477 | 478 | 479 | 480 | 481 | 482 | 483 | 487 |
| 488 | 489 | 490 | 492 | 493 | 497 | 498 | 500 | 501 | 502 | 504 | 506 | 508 | 510 | 511 | 513 | 514 | 515 |
| 516 | 520 | 521 | 522 | 523 | 524 | 525 | 526 | 527 | 531 | 532 | 534 | 535 | 536 | 537 | 538 | 539 | 540 |
| 541 | 542 | 543 | 544 | 545 | 547 | 548 | 549 | 550 | 552 | 553 | 554 | 555 | 556 | 558 | 559 | 563 | 564 |
| 565 | 566 | 568 | 569 | 570 | 571 | 572 | 573 | 574 | 575 | 577 | 578 | 579 | 580 | 582 | 583 | 587 | 588 |
| 589 | 591 | 592 | 595 | 596 | 597 | 598 | 600 | 601 | 602 | 603 | 604 | 605 | 610 | 611 | 612 | 614 | 615 |
| 616 | 622 | 626 | 627 | 628 | 632 | 633 | 634 | 635 | 636 | 637 | 638 | 640 | 645 | 653 | 654 | 655 | 656 |
| 657 | 658 | 659 | 661 | 664 | 668 | 670 | 672 | 673 | 674 | 677 | 678 | 679 | 680 | 681 | 682 | 683 | 684 |
| 685 | 686 | 687 | 689 | 690 | 695 | 698 | 699 | 700 | 702 | 706 | 707 | 708 | 709 | 710 | 711 | 712 | 713 |
| 716 | 718 | 719 | 720 | 721 | 722 | 723 | 724 | 728 | 729 | 730 | 731 | 732 | 734 | 735 | 736 | 738 | 739 |
| 743 | 744 | 745 | 746 | 747 | 748 | 749 | 750 | 751 | 753 | 754 | 756 | 757 | 760 | 761 | 762 | 764 | 765 |
| 767 | 771 | 773 | 776 | 778 | 779 | 780 | 781 | 782 | 783 | 786 | 788 | 789 | 791 | 793 | 796 | 797 | 798 |
| 799 | 800 | 803 | 804 | 805 | 806 | 808 | 809 | 810 | 811 | 812 | 813 | 814 | 815 | 818 | 820 | 821 | 822 |
| 823 | 824 | 825 | 827 | 828 | 829 | 830 | 833 | 835 | 836 | 837 | 839 | 840 | 842 | 845 | 846 | 847 | 848 |
| 849 | 852 | 853 | 854 | 859 | 860 | 861 | 862 | 863 | 864 | 865 | 866 | 868 | 870 | 872 | 873 | 876 | 877 |
| 878 | 879 | 880 | 884 | 885 | 886 | 887 | 888 | 891 | 892 | 893 | 894 | 895 | 896 | 897 | 898 | 899 | 905 |
| 906 | 907 | 915 | 916 | 917 | 918 | 950 | 951 | 953 | 955 | 956 | 957 | 965 | 966 | 981 | 982 | 983 | 984 |
| 985 | 1006 | 1007 | 1008 | 1009 | 1015 | 1016 | 1017 | 1018 | 1019 | 1042 | 1043 | 1044 | 1045 | 1046 | 1047 | 1048 | 1049 |
| 1050 | 1056 | 1057 | 1060 | 1061 | 1065 | 1067 | 1079 | 1100 | 1109 | 1111 | 1126 | 1128 | 1129 | 1132 | 1133 | 1135 | 1136 |

ENTRANCE ROLL NUMBERS OF THE CANDIDATES IN WAITING LIST

| | | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 080 | 218 | 395 | 406 | 503 | 533 | 567 | 620 | 651 | 675 | 694 | 697 | 777 | 841 | 874 | 006 | 013 | 021 |
| 028 | 034 | 038 | 044 | 049 | 242 | 056 | 248 | 073 | 857 | 1059 | 097 | 927 | 162 | 112 | 222 | 931 | 768 |
| 1014 | 727 | 910 | 293 | 362 | 179 | 423 | 1001 | 132 | 1108 | 925 | 1078 | 936 | 1134 | 201 | 1127 | 143 | 997 |

COUNSELLING SCHEDULE FOR SELECTED CANDIDATES

| DATE | TIME | |
|---|---|---|
| 30/05/2016 | 10.30 A.M. TO 3.00 P.M. | ENTRANCE SELECTED CANDIDATES |
| 31/05/2016 | 10.30 A.M. TO 3.00 P.M. | ENTRANCE SELECTED CANDIDATES |
| 31/05/2016 | 10.00 A.M. TO 2.00 P.M. | HSLCE RANKERS & DIRECT ADMITTED CANDIDATES |

*Selected candidates should bring their original admit card and accompany their parents/guardians.
*Waiting list candidates should contact the school office on the 31st May 2016, at 12:00 noon to check their status.

EDUCATION IN UNDERSTANDING
www.xtraedgeschool.com

Sd/-
Principal

HL-P/8639/31